### মরিশুবা এম সী এ দল্লিয়ু প্রলাহদ অমসুং দল্লিয়ু রামানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০১৮

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা মরিশুবা এম সী এ দল্লিয়ু প্রলাহদ অমসুং দল্লিয়ু রামানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী চেম্পিয়ন সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওইখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ১০না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা মরিশুবা এম সী এ দল্লিয়ু প্রলাহদ অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল মেচ ওইনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি শান্নখি। মেচ অদু চেম্পনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌখি। অদুগা সাইক্লোন্না অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন্না ওভর ২৯.৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১৪৬ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্পনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৬ লৌদুনা টিম অনীমক টাই তাদুনা সুপর ওভর শান্নখি। সুপর ওভরদা সাইক্লোন অমসুং থাংমৈবন্দ অমুকসু টাই তাখি। বি সী সী আইগী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না মেচ অসিদা মেক্সিম্মম নম্বর ওফ বাউন্দরি কনবা য়েংনবদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা হেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি ফাইনেল মেচনা চেম্পকী কে কেনেদি, মেন ওফ দি সেরিজনা সাইক্লোনগী কে ঐচ অক্সেকুমার, হায়েষ্ট রন গেট্টরনা চেম্পকী সী ঐচ বোনি অমসুং হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্করনা সাইক্লোনগী এল কিষন্না তাখি। থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দদা ত্রোফি য়াওনা লুপা লিশীং ১৫, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা চেম্প খাগেম্পল্লিদা ত্রোফি য়াওনা লুপা লিশীং ১০, মেন ওফ দি ফাইনেল মেচতা লুপা লিশীং ১, মেন ওফ দি সেরিজতা লুপা লিশীং ৩, হায়েষ্ট রন গেট্টর অমসুং হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্করদা লুপা লিশীং ২/২ খূৎশিন্নখি।

### ২শুবা আর কে এফ দি সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল

## এফ সী ইম্ফাল অমসুং ভি এস এ আই সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ভি এফ এ) মণিপুরনা শিন্দুনা মপান কাংজেবুংদা পাঙথোক্লিবা ২শুবা আর কে এফ দি সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা এফ সী ইম্ফাল ক্বাকেথেল অমসুং ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা আর কে এফ দি সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি এফ সী ইম্ফাল ক্বাকেথেল অমসুং য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং শান্নগদবা মেচ অদু য়ু ভি এস এ লাক্তবদগী এফ সী ইম্ফাল ৱর্ক ওভর ফংদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ৩শুবা টিম ওইখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অমসুং ভি এস এ সোরা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ভি এস এ আইনা ভি এস এবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা মরিশুবা টিম ওইখি। ভি এস এ আইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ঐচ রতন, পি রোমেস অমসুং সী ঐচ আনন্দনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ভি এস এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম দি ইকবাল শাহানা চনখি।

## অহানবা এস দি এ য়ু ত্রোফি ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : সোসল দিভলপমেন্ট এথলেটিক য়ুনিয়ন (এস দি এ য়ু) তেকচম্না শিন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙসিদগী অহানবা এস দি এ য়ু ত্রোফি ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা এস দি এ য়ু ত্রোফি ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লাঙথেল জিলা পরিষদকী মেম্বর সোইবম ইবেতোম্বীনা চীফ গেষ্ট, তেকচম জি পিগী প্রধান লাংপোকলা-কপম ইবোয়াইমনা প্রসিদেন্ট, তেকচম জি পিগী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর এল সোভা, ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর এল তোম্পোক অমসুং ৱার্দ নম্বর থ্রিগী মেম্বর মাইবম গিতানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎকী গ্রুপ এগী মেচ ওইনা এস দি এ য়ু-এ অমসুং সভেন ষ্টার সাপমগা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ মেচকী ২১শুবা মিনটতা সভেন ষ্টারগী ইটোনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফকী ৪০শুবা মিনটতা এস দি এ য়ু-এগী মধুমঙ্গলনা সভেন ষ্টারগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্কেলাইজ তৌখি। গোল ইক্কেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী সভেন ষ্টার সাপম অমসুং এস দি এ য়ু-এ গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

### ২শুবা কে এস ঐচ টিকেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এস এ ও অমসুং দি ৱাই এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (এ এম এফ এ) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা এসোসিএসন অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ২শুবা কে এস ঐচ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ মেমোরিএল অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এ ও ককচীং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৫না শরুক য়াদুনা লীগ কম নোক আউট বেসিসতা পাঙথোকপা ২শুবা কে এস ঐচ টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ মেমোরিএল অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা জে এ ককচীং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী শান্নখি। মেচ অদু অহানবা হাফ হৌবদগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা দি ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩০ প্লস টুদা দি ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১১ দল্লিয়ু শ্যামচন্দ্রনা গোল অমা চল্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৪শুবা অমসুং ৬০ প্লস টুদা বি ৱাই এগী জর্সি নম্বর ৯ ঈ রষ্টম অমসুং জর্সি নম্বর ১১ দল্লিয়ু শ্যামচন্দ্রনা গোল ২ অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু দি ৱাই এনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস দল্লিয়ু সী কৈরক অমসুং এস এ ও ককচীং শান্নখিবা মেচ অদু এস এ ওনা এস দল্লিয়ু সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

## টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শিন্দুনা তেন্থা খোংবাল মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১০শুবা টি কে এ দল্লিয়ু ত্রোফি ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৬না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১০শুবা টি কে এ দল্লিয়ু ত্রোফি ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থা অমসুং সী পি সী লমদিং শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টি কে দল্লিয়ু এনা সী পি সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। টি কে দল্লিয়ু এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বিদ্যানন্দা অমসুং অমরজিৎনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা সী পি সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সুসিলনা চনখি।

## কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : শ্রীশ্রী গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শিন্দুনা কাংখূৎ অসিগী কাংশঙদা পাঙথোকপা অহানবা লেট হাওবম কুল্লবিধু মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচত গোপাল দেব-এ কাংখূৎনা থাংমৈবন্দ কাংখূৎপু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা লেট হাওবম কুল্লবিধু মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা গোপাল দেব-এ অমসুং থাংমৈবন্দ শান্নখি। মেচ অদু থাংমৈবন্দ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপখি। অদুগা গোপাল দেব-এনা মায়কৈখনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা গোপাল দেব-এ কাংখূৎনা থাংমৈবন্দ কাংখূৎপু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ১৬-১৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

## য়াইচেনবা এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসি-এসন্না শিন্দুনা নুঙ্গৈই অৱাং লৈকায় প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা য়াইচেনবা এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি য়াইচেনবা এফ সী অমসুং ৱাইরি এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু য়াচেনবা এফ সীনা ৱাইরি এফ সীবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখ্রে।

## এস কে ৱাই দি সী, পি সী এল অমসুং লোইতাং এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) ঃ ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লব (এম এল ৱাই এল সী) না শিন্দুনা ময়াং লাংজিং তমাং কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস কে ৱাই দি সী, পি সী এল অমসুং লোইতাং এফ সী মায় পাকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চৎথরকপা ওইনা ঙসিগী মেচশিংদা এস কে ৱাই দি সীনা লিম্থোংই এফসী-এবু গোল ১-০দা, পি সী এলনা এম এল ৱাই এল সীবু গোল ৩-১দা অমসুং লোইতাং এফ সীনা লিম্থোংই এফ সী-বিবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

## ৱাই দি সী এল অমসুং য়োলল্লো-বি ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : য়ঙ লানর্স লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গেনাইজেসন কৈবিনা শিন্দুনা কৈবি ইরাবত গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১১শুবা য়োলল্লো কপ অন্দর-১৩ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ৱাই দি সী এল পুংদোংবম অমসুং য়োলল্লো-বি কৈবি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চৎথরকপা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা ঙসিগী অহানবা মেচতা ৱাই দি সী এলনা এম এস সীবু গোল ২-১দা অমসুং অনীশুবা মেচতা য়োলল্লো-বিনা এস টি টিবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : ফিলিপিন্সকী চিবু সিটিদা লাক্লিবা মে ৩১দগী জুন ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এন এ সী ৱর্ল্ড কপ ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইনিদয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী লোংজম নরেশ খল্লক্লে হায়না কেক্রু দিভলপমেন্ট য়ুথ ক্লবনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা এন এ সী ৱর্ল্ড কপ ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা লমদম অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপূগী মফমদা থৌনিজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## পি ঈ দি দল্লিয়ু এ, এল এল ৱাই সী, দি ভি এ-এ অমসুং এম এল ভি এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : লোইতাং লৈকিন্থাবী য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা অথোকপম ইবোমচা সিংহ মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা মায় পাক্তুনা পি ঈ দি দল্লিয়ু এ পোৎশংবম, এল এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিনথাবী, দি ভি এ-এ থৌবাল অমসুং এম এল ভি এ ময়ায় লম্বী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা দি ভি এ-এ অমসুং ৱাই দি এ শান্নখিবা মেচ অদু দি ভি এ-এনা ২৫-১৪, ২৫-১৯দা, অনীশুবা মেচতা পি ঈ দি দল্লিয়ু এ অমসুং এম এল ভি এ শান্নখিবা মেচ অদু পি ঈ দি দল্লিয়ু এনা ২৫-১১, ২৫-১৫, ২৫-১৭দা, অহুমশুবা মেচ ওইনা এল এল ৱাই সী অমসুং ৱাই দি ও শান্নখিবা মেচ অদু এল এল ৱাই সীনা ২৫-১৩, ২৫-২০, ২৫-১৭দা অমসুং পি ঈ দল্লিয়ু এ অমসুং দি ভি এ-বি শান্নখিবা মেচ অদু পি ঈ দল্লিয়ু এনা ২৫-২০, ২৫-১৭, ২৫-১৭দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৭১

১। ওলেম্পিক গেমসতা 'দবল' হায়বদি শান্নরোয় অনী অনীনা মীচং ওইরগা লম্বা তৌনবগী থৌরম কয়ামুক য়াওরি। খুদম ওইনা বেদমিন্টন দবলনি। ওলেম্পিক্কী থৌরম অমদা দবলদা সনাগী মেদল ফংখিবা লৈবাক অমগী টিম অমবু Quer Mann Pair হায়না খঙনখি। টিম অদুনা মায় পাকখিবা থৌরম অদুগী মমীং হায়য়ু?

২। রঙ্গাশ্বামী কপ্তা অসামনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা মণিপুর মচা অমনা টিম কেপ্তেন ওইখি। মহাক কনানো?

৩। কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিদা পোকপা নিপামচা অমা কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (ক্রিকেট) তা শরুক য়ারি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৪। মহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মীরৈবাক্তা ফুটবোল শান্নরুরে। মহাক ষ্টেট অমগী মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫। লাই অসিদা উৎলিবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিং অসি করম্বা সহরদা শান্নখিবা ওলেম্পিক গেমসতা নমখিবা ফোটোনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-P/1414/26to1 June




HL-B/4571/18/4-16/5(Alt.)

# LOAN AVAILABLE

1. Vehicle loan (2 wheeler/3 wheeler/4 wheeler etc....)
2. Business loan [Rs.1,00,000 to Rs.20 Lakhs (12% P.A)] (2nd Phase )
3. Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M)
4. Machinery loan(Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer,Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Fish & Chicken Equipment, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment অসিনচিংবা।

**N.B:-** মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা বিজিনেস তৌনীংবা অমসুং হান্না মপূং ফানা তৌরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS : Office Asst. (THOUBAL, KAKCHING, MOIRANG)

*Please contact:- #8731978490, 9774495994*

Development Organisation For Socio-Economic in Rural Area (DOFSERA) & L.G. MOTORS

Office Hour: 10.00am-04:00pm KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (H.Q), IMPHAL

Branches: *SEKMAI KOUJENGLEIMA, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL, NAMBOL LAMBAN, MOIRANG PATLOU.*

HL-B/4594/23/4-22/6 (alt.)




HL-B/4616/9-19,21,23/5 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com